# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


চাপ্লিন অমসুং মাগী নুপী অহুম


Mildred-harris


Lita grey


Paulette

- মাবু থাগৎপদা অসুন্না লাউথোকই, "Star descriptive Vocalist and Chorus Comedian, in his latest success and old favourites, 'Dear old Pals' মানা শকখিবা ঈশৈ মমিংসিফাও পন্দুনা থাগৎলিবনি।
- অসুন্না চার্লিগী মপা ইবুংঙোসি সহর অমদগী সহর অমদা ঈশৈগী মথঙ মথঙ চৎতুনা লৈখি। Hanna না মচা নুপা পিল্লিবা অনীগা ইমুংদা লৈহৌখি। চার্লি পোকপা মতমদা মপানা লংফৈদা লৈখিবনা Record নিংথিনা থমহৌদে। কাইনথংদা চেপ্লিন মশানা মহাক পোকখিবসি ১৮৮৯গী এপ্রিল ১৬তা East Lane, Walworth হায়বা লন্দনগী লৈকায়সিনি হায়বা খঙজখি। ময়াম্বা Sydney পোকখিবা মফমগা লৈরক অমত্তনা খল্লে। মাগীনা Brandon Street তনি।
- চার্লিনা পুংকক চাউরকপদদি মখোয় খজিক্তং নুংঙাইবা লন্দনগী West Square দা Lodging অমদা হোংলে।
- তাঞ্জা অসিদা মপাবুংদি অমেরিকাদা কৌরকপদগী ঈশৈ শকপা চৎখ্রে। ১৮৯০গী ওগষ্ট থাদা ন্যু য়োর্কতা থুংদুনা Union Square Theatre দা ঈশৈ শকপা ফংখ্রে। লৈফমসু নুংঙাইখ্রে। মাগী Aunt Elezabeth কৌবা অমা ন্যু য়োর্কতা হান্না ওংদুনা লৈখ্রবনি।
- মাগী অমেরিকা খোঙচৎ অসি মাগীদি মায় পাকপনি অদুবু ইমুংদি কায়বগী মচাক ওইখ্রে। থা ৭/৮ ঈ-পাউ ফাওনদবনা, Hanna বু ইংলেন্দা লৈরিঙৈদগী হৌনা থৌশাবীদবা অদুনা মরম ওইরগা মপূক্লিং ওনখ্রে। অনৌবা মরুপ অমা লোয়নবা হৌখ্রে। মমিংনা শৈশকপা George Dryden Wheeler কৌই। মহাক ১৮৬১দা পোকপনি। মাবু Leo Dryden হায়রগসু খঙনৈ।
- মখোয় অনীগী মচানুপা অমমুক ফংজরে। মমিংনা Wheeler Dryden থোল্লে। ১৮৯২গী ওগষ্ট ৩১দা পোকপনি। মতমদুদা চার্লিদি চহী ৩দা ঙায়রি।
- অদুবু অঙাংদুনা থা ৬তা ঙায়রিঙৈদা মপা Wheeler না লোন্না পুরগা মাঙমিন্নখ্রে। Hanna গী মৈচাক হাপ্লল্লে। মচাবু লুনা তৌজবা Hanna কপ্পনা মথৌ ওইখ্রে। চহী ৩০ মতুংদা উনরগদৌরি। মদুসু অমেরিকাদা। Hanna না ঙাওরবা কান্দা।
- হৌজিক চার্লি ৱানা লেল্লে, মমানা কপ্পুনতা লৈরে, ময়াম্বগা মাগা মমাগী মতেং পাংবসু ঙমদা য়েংদুনা লৈরে। অদুবু অৱাবদি মপৈ মপৈ হৌনরগা লাকই হায়বগুম Hanna গী মপা-মমাসু অমুক কায়নরে। মমাদুনা নুপা অমগা লৈমিন্নরম্মী হায়বগী তাঙ্খোকখ্রে। অদুগী মতুংদি মমাদু য়ূদা লাইচুদুনা চহী ২গী মতুংদা শিদোকখ্রে।
- Hanna মচানুপা অনীদুগা ৱানা লেল্লে। উপাই লৈতদুনা ফি কোল তুদুনা, মীগী সেবা তৌদুনা মচা থাকপা ঙম্নবা হোৎনরে। অদুবু লাইবক ফবা হায়গদ্রা, থীবা হায়গদ্রা ১৮৯৪দা Aldershot তা লৈবা Canteen অমগীদা ঈশৈ শক্লনবা বার্ত্তোন ফংলে। নুমিৎসিদনি মাগীনা অরোইবা, চার্লি চেপ্লিনগীনা অহানবা ষ্টেজ পার্ফোমেন্স ওইরগদৌরিবা।
- Hanna মশক হান্নগী নৎত্রে, মখোলসু হান্নগী নৎত্রে। ভাবোকসু সিফাইনা অয়াম্বা ওইরম্লে। শকপা হৌরকপদা লাউবা হৌরক্লে - 'লোইশিল্লো, লোইশিল্লো' হায়না। Hanna কপ্পুনা Green Room দা চেনশিল্লক্লে। হোটেল মপূদু তৌফম খঙদ্রে। মতাংদুদা মাগী পীক্লিবা মচা চার্লি চেপ্লিন্না লন্দনগী অফাওবা শৈশকপা, কোমেদিয়ান Gus Elen গী মতৌ তমদুনা মনুংদা Hanna গী মমান্নবীশিংগী মাঙদা এক্ত তৌরম্বদু উরুরে। মপূদুনা উপাই লৈতদুনা অঙাং চহী ৪ মপূং ফাবদা ঙায়রিবদু ষ্টেজদা পুথোক্লে।
- চার্লিসু মী কিদবনা ফজনা কোমেদিয়ান অদুগী ঈশৈ শক্তুনা কুম্মৈ ফজনা উৎলে। মদুদা লংশিন্নরকখিবা পৈশা ময়ামদুদি অঙকপা ওইরে। অমুক্তা উজদ্রিবা পৈশা ময়ামদু উবদা চার্লি পাখৎলে। অদুসু মানা ফাগী তৌশিল্লম্মী- 'ঐ পৈশা অমুক্তা খোমজিল্লগা থম্মুখিগে অদুগা অমুক উৎলগে' হায়না। অদু হায়বদা অমুক্কা হেন্না নুংশিদুনা পৈশা পঙলংদা লংশিন্নরক্লে। মথোই কাখ্রদুনা চার্লি শোদু হেন্না হেন্না ফজনা উৎপা হৌরক্লে। মমৈদদি মমানা মাবু Wings লোমদা চিংথোকখ্রে।
- অদুবু Hanna গী পুন্সি অৱাবা মরক্তুদা মচানুপা অনীদদি অমুক্তা অৱাবা উৎখিদে। মোমোন নোক্তুনতা, ফাগী তৌদুনা হরাউহনবদু মচানুপা অনীনা কুইরবদফাও নীংশিংখি। মচা অনীগী মরুপসু মানা ওইবিখি। ৱারবা মতমদুদা লাইনা থাদরকপগুম Sydney না শেঙ্গাও অমা খুল্লকপগী ৱারী থেংনৈ। মদুদা Guinea তরেৎ য়াওরমদুনা চারা নোংখন্নখি।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# মায়দা উরিং থুংখ্রবা মতুংদা লৈহৌবা দাকফম কোকহন্নবগী ইচম চম্বা পাম্বৈশিং





মায়দা উরিং থুংখিবগী মফমদা দাকফম তাদুনা লৈহৌই। দাকফম অদুনা শক থীহন্নবগী মরম ওইহল্লি। উরিং থুংখ্রবা মতুংদা অমাঙ অতা থোক্লবা উনশা কুয়োম অমা লৈহৌবদগী দাকফম তাহৌবনি। খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা ইচম-চম্বা পাম্বৈশিংদি :

**এলো বেরা ঃ** এলো বেরা মনা অমা হেক্লগা মহী শুমদুনা মায়দা তৈশিনগদবনি অমসুং পুংখায় অমা লৈরগা মায় তাথোক্কদবনি।

**ওলিভ ওইল ঃ** ওলিভ ওইলনা শম ফহনবগুম উনশাসু ফহল্লি। ভিটামিন এ, ভিটামিন দি, ভিটামিন ঈ, ভিটামিন সী, ভিটামিন বি-১, ভিটামিন বি-২, আইরন অমসুং এন্টিওক্সিদেন্ট য়াওবা ওলিভ ওইল তৈরবদি উরিং থুংখিবগী দাকফম কোকই।

**খোইহী ঃ** এন্টিবেক্টেরিয়ল, এন্টিসেপ্টিক, এন্টি এলর্জিক অমসুং এন্টি ওক্সিদেন্টকী মগুন চেনবা খোইহীনা দাকফম কোকহনবা ঙম্মী। নুমিদাং তুল্লমদাইদা খোইহী তৈশিনগদবনি অমসুং নোংঙাল্লগা মায় তাথোক্কদবনি। খোইহী, চম্প্রা অমসুং সেন্দলৱুদ য়ান্নরগা তৈবনা অমুক্কা হেন্না ফৈ।

**চম্প্রা মহীঃ** চম্প্রাদা ভিটামিন সী য়াওবা মরম্না কোলাজেন শেমগৎপা ঙম্বগা লোয়নননা দাকফম কোকহনবা ঙম্মী। চম্প্রা অমা তংখায় খায়দোক্লগা মহী শুমদুনা মহী অদু তৈশিনগদবনি অমসুং মিনিট ১০ গী মতুংদা মায় তাথোক্কদবনি।

**আইস ক্যুবঃ** আইস ক্যুব অমনা মায়দা তপ্না-তপ্না নানবা মতমদা তুখোঙ খুজিলহনবগা লোয়নননা উরিং ফহল্লি। কালেনথাদা তুখোঙদগী অহেনবা থাউরেক থোরকই। আইস ক্যুবনা তক্লবদি মরেক পুন্নমক শেংনা লৌথোকপা ঙম্মী। থবী অমা পানা শোইরগা খোইহী অমসুং চম্প্রা মহীগা য়ান্নরবা মতুংদা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিন্দুনা আইস ওলহনগদবনি। আইস অদু থুগায়রগা মায়দা তৈশিনবা মতমদা মায়গী ফজবা হেনগৎহল্লি। দাকসু কোকহল্লি।

ঈশিংদা মসাজ ওইল খরা য়ানশিল্লগা আইস ওলহল্লবা মতুংদা আইস অদুনা মায়দা তপ্না-তপ্না তকপসু কান্নগনি।



# গুকশমদগী য়াংলেন মখা ফাওবা নাবা অমসুং ফাজিনবা

## অর্থ্রাইটিস, এনকিলোজিং স্পোন্দালাইটিস




এনকীলোজিং স্পোন্দালাইসিস অসি স্পাইনদা শোকহনবা অর্থ্রাইটিস মখল অমনি। এনীলোজিং স্পোন্দালাইটিসকী লায়ওংশিংনা ঙকশমদগী য়াংলেন মখা ফাওবা নাবা অমসুং ফাজিনবা (ষ্টিফনেস) য়াওরি। য়াংলেন শরূশিং চাউথোরকপা নৎত্রগা শৌজিন্নদুনা চপ তিংনা কনশিন্না লৈখিবা য়াই। মসিগী অহোংবশিং অসি খজিক খরাক্কী মওংদগীনা খরা হেন্না শাথিবা ফীভম ফাওবা ওইদুনা নম পোলহল্লকপা য়াই। ঙল্লিঙৈদা লায়না চপ চানা খঙদোকপা অমসুং লায়েংহৌবনা অনাবা অমসুং ফাজিনবগী ফীভম কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই অমসুং শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা হকচাং শোইনাইবগী ফীভমদগী কনবা ঙমগনি।

কনা কনাবু এনকীলোজিং স্পোন্দালাইটিসনা নাহনবগে ?

এনকীলোজিং স্পোন্দালাই-টিসনা এদল্ড পোপুলেসনগী চাদা ০.১ দগী ০.৫ ফাওবা শোকহল্লি। মসিনা চহী মতাং অমদা হেক্তা নাহল্লকপা য়ারবসু স্পোন্দালাইটিসনা অয়াম্বনা চহী ৩০ অমসুং ২০ হেন্দোরকপা মীওইশিংদনা হেন্না নাগনবা উই। মসি নুপীশিংদা পংনা নাগন্দে, নারবসু য়াম্না শাথিবা মওং ওইদে। অমেরিকাগী য়েলহৌমী ত্রাইব খরদনা হেন্না লায়না অসিনা নাগল্লি।


এনকীলোজিং স্পোন্দালাইটিসকী লায়ওংশিং : লায়না অসিনা নাবগী খ্বাইদগী ঙল্লিঙৈ মতমগী খুদম চাংদমশিংদা য়াওরিবশিং অসুন্না পীরি, থংনবা শরুক, থুন (নীং) অমসুং খ্বাঙদা নাবগা লোয়নননা ইকন কন্না ফাজিন্দুনা লৈ। শরূ শৌজিন্নবা (বোনি ফ্যুজন) : এনকীলোজিং স্পোন্দালাইটিসনা শরূশিং চাউথোকহল্লকপা য়াই। মদুনা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা শরূশিংবু অমগা অমগা শম্নহন্দুনা 'বোনি ফ্যুজন' থোকহনবা য়াই। ঙক, য়াংলেন নৎত্রগা খ্বাঙগী শরূশিং শোকহনবা ফ্যুজননা মীওই অমগী রুটিন এক্টিভিটিশিংদা অকায়বা পীরকপা য়াই। রিবশিংনা য়াংলেনদা (স্পাইন) নৎত্রগা ব্রেষ্টবোন (থবাক্কী শরূ) দা শৌজিন্নখিবনা মীওই অমনা নুংশা শ্বর শাংনা হোঞ্জিনখিবা মতমদা মহাক্কী মথবাক ফন্দোকপা ঙম্বগী চাং হন্থহনবা য়াই।

লিগাসেন্টশিং অমসুং টেন্দনশিংদা নাবা : স্পোন্দালাইটিসনা শরূদা নপতুনা লৈরিবা লিগামেন্টশিং অমসুং টেন্দনশিংদসু শোকহনবা য়াই। টেন্দননা পোম্বনা (টেন্দোনাইটিস) খুনিংগী মনিং নৎত্রগা খুনিংগী (হীল) মখাদা নাবা অমসুং কনশিন্দুনা লৈবা য়াই।

এনকীলোজিং স্পোন্দালা-ইৎটস অসি সিষ্টেমিক দিজিজ অমনি হায়বদি লায়ওংশিংদু তাঙশিং খক্তদা ওইদে। অসিগুম্বা অনাবা লৈবা মীওইশিংনা লায়হৌ, হকচাং চোকথবা অমসুং চানিং থক্লিংবা পোক্তবা য়াই। লায়না অসিগী হৌরকফম চপ চানা খঙদ্রবসু মসি জিনেটিক নৎত্রগা ইমুং-মনুংগা মরী লৈনৈ। হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লে। লায়না অসিগী লায়ওং লেপ্পা হায়বসি ফেক্টর কয়াগী মখা পোল্লি। মখোয়গী মনুংদা ফিজিকেল ইগজামিনেসন, য়াংলেন অমসুং পেলভিসকী এক্সরে, শ্বর হোনবদা থবাক্কী মেজরমেন্টশিং লৌবা, লেব টেষ্টকী রিজল্টশিং য়াওরি।

লায়েং : এনকিলোজিং স্পোন্দালাইটিস চপ চানা ফহনবা ঙমদে, তৌইগুম্বসুং নুংঙাইতবা ফীভম হন্থহনবা অমসুং শোক্লিবা মফমশিংদুগী মথৌ ফগৎহনবা য়াই। মসিগী লায়েংগী পান্দমদি অনাবা অমসুং চপ তিংনা ফাজিনবা হন্থহনবা, হকচাংগী ফীভম ফীরেপ কাইহন্দনবা তৌবা, শোইনাইবগী ফীভম থিংবা অমসুং মহৌশাগী থবক ইনখাংশিং শু-নোম্বা ঙম্বগী ফীভম অদু কাইহন্দনা লৈহনবনি।

# থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- কার্ল লেন্দষ্টিনরনা কুমজা ১৯০০ গী অঙনবা শরুক্তা মীওইবগী তোঙান তোঙানবা ব্লদ গ্রুপ লৈ হায়বা খঙলকখি। অদুবু করি মরমগী মী অমগা অতোপ্পা অমগা ব্লদ গ্রুপ মান্নদ্রিবনো হায়বদু কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি।
- তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং মাঙজৌননা খঙবা ঙম্বা বলগেরিয়াগী পেন্দেভা দিমিট্রোভা কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোক-খিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২৩৪১ গী অদুৱাইদদি মালেমদা থৱায় পানবা অমত্তা লৈবা ঙম্লরোই হায়রি।
- হৌখিবা চহী ৭০ গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কমর্সিয়ল এয়রহলাইনর (এরোপ্লেন) ৯০ রোম মফম খঙদনা মাঙখ্রে। হায়রিবা প্লেনশিং অদু কদায়দা কমদৌনা মাঙখিবগে হায়বদু কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি। কায়খ্রে হায়না লৌবা তারবসু প্লেনগী অকায়বা মচেৎ অমত্তা ফংবা লৈত্রি।
- কুমজা ১৯৭২ দা অমেরিকন অনী তোঙান তোঙানবা মফমদগী এলিয়নশিংনা ফারুবগী থৌদোক থোকখি। অতোপ্পা প্লানেটতগী লাকপা মী মানবা কাঙ্ভু অমনা ফারুস হায়রিবা মীওই অনী অদুগী মমিং চার্লস হিক্সন অমসুং কেলিভন পার্কর কৌই। মখোয় অনীনা শেরিফকী ওফিসতা লাক্লগা ফোঙদোক্লখিবগী মতুং ইন্না অচৌবা পাৎ অমগী মপান্দা ঙা ফাদুনা লৈরিঙৈদা মখোয়বু অতোপ্পা প্লানেটতগী লাকপা থৱায় পানবশিংনা ফারুবনি হায়রি।
- কুমজা ১৯৬৭ তা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হেরোল্ড হোল্ট মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী। প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা থা ২২ খক্তা ঙায়রিবা মীওই অদুনা চেভিয়ট বীচতা ঈরোয়রম্বদগী ইখঙ খঙহৌদনা থিবা খঙখিদবনি। পুলিস, রোয়ল ওষ্ট্রেলিয়ন নেভী, রোয়ল ওষ্ট্রেলিয়ন এয়র ফোর্স, আর্মি অমদি লোকেল ভোলন্টিয়র কয়ানা ফনা য়াম্না থিরবসু প্রাইম মিনিষ্টর হেরোল্ড হোল্ট অমুক হন্না ফংবা ঙমখিদ্রে।
- কুমজা ২০০৩ দা এঙ্গোলাগী এয়রপোর্ট অমদগী বোইং ৭২৭ অমা হুরানখি। এরোপ্লেন পাইবা হৈতবা হুরানবশিংনা অমম্বা মরক্তা প্লেন অদু মৈ মুৎথৎলগা কন্ট্রোল টাৱর খঙহন্দনা পাইখিবনি হায়না থাজনরি। প্লেন অদু এটলান্টিক ওসীন লাল্লগা পাইখিবদগী অমুক হন্না থিবা ফংখিদ্রে।
- সাওদি আরাবিয়াগী মীওইশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা উট (কেমেল) তোংই। মরম অদুনা লৈবাক অদুদা উট মশীং থীঙমদনা লৈ। তশেংবদি সাউদি অরাবিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী উট লৈরি।
- গুম্ভির (ক্রোকোদাইল) না মরৈ তিংথোকপা অমসুং চীঞ্জাক শায়বা ঙমদে। গুম্ভিরগী দাইজেষ্টিভ জুইসতি মতীক ময়াই য়াম্না কনবা মরম্না য়োৎ ফাওবা তুমহনবা ঙম্মী।
- মীওই অয়াম্বনা ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চারগা হকচাং নোয়খৎলি হায়না থাজনৈ। মদুনা মরম ওইরদুনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হন্থহন্নিংবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাদনবা হোৎনৈ। তশেংবদি ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চারগা মীওইববু হেক্তমক নোয়হনবা নৎতে। অদুবু চীঞ্জাক মখল অমদা কা-হেন্না চারগা নোয়খৎলকপনি। মরম মচল শুবা চীঞ্জাক চাবা মথৌ তাই।
- ষ্টদি অমগী মতুং ইন্না অনেম্বা নুপীশিংদগী অৱাংবা নুপীশিংদনা কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।
- কঙ্গারু অমোমশিংগী মপান থোকফম অথিফম অহুম পাল্লি।
- নোর্ৱেগী ইলেক্ট্রিসিটি চাদা ৯৯ ঈশিংদগী লৌবনি। মালেমদা হায়দ্রোইলেক্ট্রিসিটি পাৱর খ্বায়দগী য়াম্না শীজিন্নবা লৈবাকসু নোর্ৱেনি।
- বিল ক্লিন্টন্না মতম শাংনা প্রিসিদেন্ট ওইরিঙৈগী মনুংদা শুপ্পগী ঈ-মেল অনীখক থাখি।
- লমশাং চেনবা লমজেলদা মীওইবনা মালেমদা লৈরিবা শা মখল খুদিংমক্তগী হেন্না শাংনা চেনবা ঙম্মী।
- কোক্রোচতি মকোক থদৎলবসু চয়োল খরা অদুম্মক হিংদুনা লৈবা ঙম্মী।
- মালেমদা হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা অপুনবা মীশিংনা ঙসি ফাওবদা শিখ্রবা অপুনবা মীশিংদগী য়াম্বা হেল্লি।
- ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মায়দা ভোদকা তৈরবদি তুখোঙ খুজিনহনবগা লোয়নননা উরিংসু থুংহন্দে হায়রি।
- ওক হায়রিবা শা মখল অসি নোংথক্তা য়েংখৎপা ঙমদে।
- ফিনলেন্দদা "দোনাল্ড দক" কী কোমিকশিং অথিংবা থম্মী। দোনাল্ড দকনা খোঙ্গ্রাও শেৎতে হায়বগীদমক অথিংবা থমখিবনি।
- লাস ভেগাসকী জ্বার শান্নফম কেসিনো পুন্নমক পুং ২৪ চুপ্পা থোঙ হাংই। জ্বার শানরিবা মীওইশিংনা পুং কয়া তারবগে হায়বদু খঙদনবগীদমক মফমদুদা ঘড়ী অমত্তা থমদে।

# সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

## তুংগী শরুক লোইনা উবা ঙম্বা সাইদ মিরর



যুনাইটেদ ষ্টেটসতা দ্রেক্সেল য়ুনিভর্সিটিগী মেথমেটিসিয়ন এন্দ্রিয়ু হিক্সনা গাড়ীগী অনৌবা সাইদ মিরর অমা শেমগৎলে। মসিগী মতেংনা মায় লৈথোক্তবসু তুংদা লৈবা পোৎশক নৎত্রগা গাড়ী পুন্নমক নীংথিনা উবা ফংহল্লে।

সাইদ মিরর অমদি রিয়র ভিয়ু মিরর অনীমক্তা উবা ফংদবা মফম অমা লৈ। মসিবু ব্লাইন্দ স্পোট হায়রগা খঙনৈ। এন্দ্রিয়ু হিক্সনা অনৌবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা শেমগৎপা সাইদ মিরর অসিগী মতেংনা তুংদা লৈবা পোৎশক পুন্নমক (ব্লাইন্দ স্পোট য়াওনা) ময়েক শেংনা উবা ফংহল্লে।

হান্না শীজিন্নরিবা সাইদ মিরর খুদিংমক দিগ্রী ১৫ দগী দিগ্রী ১৭ ফাওবতমক উবা ফংই। অদুবু অনৌবা সাইদ মিরর অসিদি দিগ্রী ৪৫ ফাওবা উবা ফংই হায়রি। অথুবা মতমদা এন্দ্রিয়ু হিক্সনা শেমগৎপা সাইদ মিরর অসি কৈথেলদা ফংলগনি হায়রি।